# মণিপুরগী তাঙলবা ক্রিটিক ওইরম্বা, ফিল্ম ক্রিটিক ওইনসু শ্বর্না কমল নেসনল ফিল্ম এৱার্দ ফংখ্রবা আর কে বিদুর

-নানি



আর কে বিদুর, নোংমৈবুং ৱাংখৈরাকপম লৈকায়দগীনি। একাউন্টেন্ট জেনরেলগী ওফিসতা থবক তৌবিরম্মী। মণিপুরগী লিটরেচরগী লূপ কয়াদা মেম্বর ওইনা য়াওবীরম্মী। লমদমসিগী তাঙলবা লিটরেচর অমদি কলচরগী ওইবা জর্নেল কয়াদা মমল নাইদ্রবা আর্টিকল কয়া ইদুনা ফোঙবিরম্মী। মদুদসু নত্তনা লূপ কয়াগী সেক্রেটরি, প্রসিদেন্টনচিংবা কয়ারক হন্না ওইবিরমদুনা, চঙখি-চঙখিবা মফম খুদিংমক্তা মহাক্কী খূৎফমগী মমি থাবীরম্মী। মহাক্না চঙখিবা লূপ অদুমগী মশক থোকপা করিনো খরদি শোয়দনা অদুম তৌবীরম্মী। মশাদা চাউথোকপা লৈতে, হৈসু হৈতে, অঙাং-অহল খাক্তনা লোয়ন-তিন্নবা য়াই, তৌবতবু থম্মোয় শেংদবদি মহাক্তা লোয়নদে। মহাক মশা মথন্তনা তপ্না তপ্না লাপথোকখিগনি। মহাক্তি ঈশ্বরদা ভক্তি য়াম্না লৈজবা মীশকনি। থম্মোয়দা শ্রী গোবিন্দজিবু চেৎনা থাগোন্নজখিবা মীশক অমনি। ৱাহৈ অমা শোয়বদা, নৎত্রগা পামদবা ৱাহৈ অমা মীনা হায়রকপা তাবদা, ঙাঙলিবা মীশক অদুসু, তারিবা অদুসু অরান-অহুই ঙাকপীনবা শ্রী গোবিন্দজিদা হায়জবা মীশকনি। য়াম্না তোয়না মহাক্কী মচিন্দা 'শ্রী গোবিন্দ' হায়বসি পনগল্লি। মদুনা তাকই, মথম্মোয়দা ভগবান শ্রী কৃষ্ণবু লেঙদনা লাৎচৈ হায়বা। মরু লুকথরপ তৌরগা ৱাখল লিখুন চেৎনা খনবা, ঙাঙথোরকপা ৱাহৈ-ৱাতা কয়া, চে-কলম পায়দুনা হেক ইশিন্দুনা থমনীংবা হায়বদুমক য়ৌনা হায়দোরক্কনি। মহাক্না হায়দোরকপা ৱাহৈ খুদিং ইশাগী ইরলগুম্না পাম্মুজবা পোকই, মাঙখিনি পাখৎচখি। য়াম্না তাঙবা, য়াম্না খনগনবা মীশকনি। মরমদি লাইরিক পাবা য়াম্না কল্লি। খঙনীংবদু হেক খঙনবা হোৎনবদা লাইরিক মখল কয়া কয়া পাদুনা শানদুনা মতম লেনবা ঙম্বা মীশক অমনি। হৌজিকসু তাঙল-তাঙলবা লাইরিক কয়া যূমদা লৈরি। পানীংবা লাইরিক য়াম্ফুংদগী ৱায়রগা পায়। লাইরিক য়াম্না চেকশিনবা মীশকনি।

য়াম্ফুং লিটরেচরদা অদুক্কী মতিক পামজনা চঙশিনজরক্লবসু, মণিপুরী সিনেমাসিদদি থৱায় পুংলুপ লুপচবা মীশক অমনি। কলচরেল ফোরম লিংখৎলকপদা অচৌবা থৌদাং লৌখিবা মীশকনি। কলচরেল ফোরমনা শিন্দুনা মণিপুরী থিএটরবু চাওখৎনবা পান্দমদা শোর্ট প্লে কম্পিটিসন পাঙথোক্লম্মী, মদুদসু অঙকপা মখূৎ তিংথোকখিবা মীশক অমা ওইবীরকখি। থিএটরগী ক্রিটিক্স ওইনা খোল্লাউ পাউচেদা অমদি অতৈ পাউচে কয়াদা রেগ্যুলরলি ইবিরম্মী। অমুকসু, মহাক্না মণিপুরী সিনেমাদা তৌরম্বা কন্ট্রিব্যুসন কয়া অসিমসু তম্বগী লোইবা নাইররোই। ঙসি ফাওবদা মণিপুরী সিনেমা অমত্তগী ক্রেদিট থাবা মতমদা মহাক্কী মমিংদি য়াওরোই। অদুবু অদুগুম্বা ফিল্ম অদুগী হেন্না ফনবা অমদি মদুবু মশক থোক্না মীয়ামদা য়ৌহনবা ঙমখিবদি মহাক্কী কলম অমদি রাইটিংননি হায়বমক য়াই। ফিল্ম অমা থোরকপদা আর কে বিদুরনা করি ইরকপগে কোয়থি থিদুনা পানরম্মী। মহাক্কী ৱা য়াম্না মরু ওইনা লৌনরম্মী। ফিল্ম সোসাইটি ওফ মণিপুরগী অচঙবা মীশক অমনি, কোয়চেন চেন্দুনা ফোরেন ফিল্মশিং/এৱার্দ ফংলবা ফিল্মশিং ঐখোয় শ্বাইদা ফেষ্টিবেল ওইনা ফাওবা শিন্দুনা অফবা ফিল্ম কয়া ময়াম পূন্না য়েংমিন্নবা কন্না শিন-লাংলমখি। য়াম্না থৱায় য়াওনা হোৎনবীখি। অমুকসু Imphal Cine Club লিংখৎলকপদগী হৌনা অচঙবা মীশক অমা ওইনা অফবা মণিপুরী ফিল্ম কয়া থোরক্লবা হোৎনবিরমখি। কুমজা ১৯৮২ য়ৌরকপদদি Cine Club না শিনবা অহানবা ওইনা মণিপুরদা ফিল্ম ৱার্কশোপ চাউনা ইমাশি বিনোদিনিগী মমাঙ শঙ্গোয়দা পাঙথোকখি। মপানগী অখঙ অহৈ কয়া য়াওনা শিনখিবা অদুগুম্লবা ৱার্কশোপ অদুনা ফিল্মগী অচঙবা নহা কয়া পুথোকপীরমখি। অদুগুম্বা ৱার্কশোপ অদুদা ৱারেংজরিবা ইশামক, ঐনা খঙবা তিন্নজবা, ওকেন অমাকচম, মাখোনমনি মোংসাবা, সূর্য্যকান্তনচিংবা কয়া য়াওখি। লোইনমক মীং পনবা ঙমজদ্রে ৱারৌবীরোই। ইমাগী নিংথেম ফিল্মনা মশক থোক্না ইন্দিয়ন ফিল্মগী লিষ্টতা চন্নবা হোৎনবদা আর কে বিদুরগীসু চাউরবা থৌদাং লৈখিবনি। মসিগী ৱারীদি য়াম্না শাংখ্রে, ফেষ্টিবেলদা শরুক য়াবদগী হৌরগা, মপানগী মীশিং উনদুনা ইন্টরেক্সন তৌনবা, ফিল্ম অদুমক্কী সব টাইটল তৌনবা ইবা ফাওবদা মহাক্না লৌখিবা থৌদাং অসিদি তরাইনা লৌবা খক য়াররোইদবনি।

মণিপুরী ফিল্ম পুথোক্নরকখিবা কয়াদা ফিল্ম অমত্তদা আর কে বিদুরগী মশক্তি উবা ফংদে, মহাক্কী মমিং অমত্তসু ফিল্ম অমত্তদা ক্রেদিট পীবা থেংনদে। অদুবু ফিল্ম নম্বা মতম, নমদ্রিঙৈগী মতম, টেবলদা ৱর্ক তৌরিঙৈগী মতমদগী হৌনদি মহাক অসি ইচেনদা চেন্নদুনা লাকখিবা মীশকনি। ফিল্ম লোইনমক্কী ৱা ঙাক নত্তে, সেরিয়সলি নম্বা ফিল্ম খুদিংমক্তা মহাক য়াওদবসি ঐমক্কী ওইনদি কয়া থেংনজদে। মহাক্কী খূৎ য়াম্না য়াওখি। পূন্নমকশিং অসিনা তাকপদি মহাক অসি মণিপুরী ফিল্মদা মমিং য়াওদ্রবসু মণিপুরী ফিল্মগী আর্কিটেক্ট অমা ওইনা শিংথাবদা থোইনা লাল্লোই হায়বা অসি ৱারেংজরিবা ঐঙোন্দা ফাওই। পূন্নমকশিং অসিদগী খজিক্তং নাথৈরগা, মণিপুরী সিনেমাগী হিষ্ট্রি মমুৎ তানা থিজিন্দুনা লাকখিবা অমদি মদুগী মরমদা কূপ্না হেক খঙবা হায়রগদি য়াম্ফুং বিদুর অসিনি। মহাক্তি মণিপুরী ফিল্মগী দিক্সনারিনি হায়বমক য়াবা মীশকনি। অদুনা চহী খরগী মমাঙদা, - ৱারেংজরিবা ঐ ইশামক, ডা. মাখোনমনি মোংসাবা, মেঘচন্দ্র কোংবম, এ সী নেত্রজিৎ, ওকেন অমাকচম, রামনি অয়েকপমনচিংবা ঐখোয়না য়াম্ফুংদা মণিপুরী সিনেমাগী হিষ্ট্রি অমা ইবীদুনা লাইরিক ওইনা ফোঙনবা য়াম্না কন্না তকশিনখি। য়াম্ফুংনসু য়াবীখি, মদুগী শরুক অমা ওইনা য়াম্ফুংগী শঙ্গাইমক্তদা নোংমা নুমিদাংৱাইরম অমা লাইরিক্তু ইবা হৌনবগী থৌরম অমা লাই-তীন খুরুমদুনা পন্দিট অমনা শোন্দুনা লাইরিক্তু ইনবা য়াম্ফুংদা শিন্নজখি। য়াম্ফুংনসু মদু য়াম্না কন্না হোৎনবীখিবনি। অদুবু য়াম্ফুংদি অহল ওইরবসু থবক অসুক্কী মতিক য়াম্মী। সেমিনারগী/জর্নেলগী/অতৈ হীরম কয়াদা ৱা ঙাঙনবা, পেপর ইনবা, লাইরিক ফোঙনবা হোৎনবা কয়া অসিনা মহাক অসি ঙাইহাক্তা পোত্থাদুনা লৈবা শংজখিদে। হিষ্ট্রি ওফ মণিপুরী সিনেমা অসিমদি ইনকমপ্লিট ৱার্ক ওইনা থম্বীরম্মে।

য়াম্ফুং আর কে বিদুরদি খুন্নাই অসিবু য়াম্না কূপ্না য়েংবদা চোকথবা লৈতবা মীশকনি। মণিপুরী খুন্নাইসিগী হোংলক্লিবা ফীভম কয়া অমদি মাঙথরক্লিবা কলচরগী ফজরোল কয়া অসিনা মীয়ামদা পীরক্লিবা ৱাখল্লোন, ঐখোয়গী অশেংবা শক্তম অমা শাগৎপদা করি করি হোরক্লিবা, করি করি মেনখৎকদবা, য়াম্না কূপ্না পূক্নিং তহা-তহাদনা য়েংলম্বনি। ঐখোয়গী কলচরনা য়োমদুনা লৈরিবা পর্ফোর্মিং আর্ট ফোর্ম কয়াদসু অচঙবা মীৎয়েং থনম্মী। অদুনা হেক হেক হায়রম্মী, লাইগী ৱাফাও ওইনা অমদি মদুবু শেমদোক শাদোক্লবা লাইৱা ওইনা। মণিপুরী জগোয়দা, মণিপুরী লীলাদা, মণিপুরী লিটরেচরদা, মণিপুরী ঈশৈদা, মণিপুরী সিনেমাদা অমদি মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা পর্ফোর্মিং আর্ট ফোর্ম কয়াবু চঙখোন্না য়েংবীরগা আর্টস অমদি কলচরগী নাপচৈ থাদুনা, লমদমসিগী আর্টসকী ফজরোল কয়া অদু শুপ্পায় পায়শিন্দুনা ৱাফম কয়া থম্বীরমখি। মদু তারগা হকথেংননা থবক তৌজরিবশিংনা মহাক্কী তুংগী লম্বী অমা য়াৎচবা ঙমজখিবনি। ঙসিদি অমুক হন্না তাররোইদো অদুগুম্লবা খোইথুম্লবা, য়াম্না মমল য়াম্লবা ৱাহৈশিং অদো।

ঐনা খঙজবা য়াম্ফুংগা লুনা লোয়নজরম্বা মরুপ খরা লৈখি। অতৈসু ফনা য়াম্না লৈরমগনি অদুবু মহাক্তা ৱাখল্লোন তিন্ননা লোয়নখিবশিংদি - রতন থিয়াম, মালেমদা মমিং লৈরবা দাইরেক্টর, হৌজিক হৌজিক কেনাদাদা লৈরিবা তামো সোনি, লিটরেচরদা ঙাওজবা মীশকনি। অমনা লৈখিদ্রবা পুখ্রম্বম শামু, মণিপুরগী মমিং লৈরবা থিএটর দাইরেক্টর অসিনি। মখোয় মরিমক মাগী মাগী হীরমশিংদা লম্বা লৈত্রবা মশক নাইরবা ঙাক্তনি। লুর-লুরবা মতমদা মখোয় হেক হেক ৱারী শানৈ, ফাগি তৌনৈ, অৱা পোত্থানৈ। মখোয়গী নুংঙাই নুংঙাইবা ৱারী কয়া য়াম্ফুংনা লীদুনা তাহনবীরম্মী। ৱারী খুদিংমক হৌজিকসু মমল নাইদনা নাকোংসিদা নিন্দুনা লৈরি। য়াম্ফুংসি ৱা ঙাঙবদা য়াম্না হৈশিংবগী মথক্তা ফাগি তৌবদসু মোং ইহা হাদনা য়াম্না পকচবা মীশক অমা ওইখি অদুনা মহাক্কী একাদেমিক লেকচর কয়া ফাওবদা অতাবশিংবুসু খম থেংনা নোকহনবা ঙম্মী। মসি মহাক্কী থোইদোকপা মতিক ময়াই অমনি। মণিপুরী ঈশৈগী লম্‌দসু মহাক য়াম্না চঙখোন্না থিজিন হুমজিনবা মীশক অমনি। মণিপুরদা হেক ফোঙখিবা গ্রামোফোন রেকোর্দ খুদিংগী রেকোর্দ অসি মঙোন্দা লৈ। মসিসু অঙকপা অমনি। করম্বা কম্পেনিগী মখাদা করম্বা ষ্টুদিওদা ঈশৈদু নমখিবা, কনানা শকপা, কনানা পুথোকপা, করম করম্বা ঈশৈনো, কনানা ইবনো হায়বনচিংবা মঙোন্দা রেকোর্দ অমত্তা চিংখদনা লৈ।

ঙসিদি অসুক্কী মতিক মমল য়াম্লবা মীশক অসি লৈখিদ্রে। করিগুম্বা অমা হংনীংবা মতমদা মনাক্তা চেন চেন্দুনা হেক হেক তান্নজরম্বা, হংজরম্বদু হৌজিকপু ঐনা কনাদা হংলুনি। মসিনি মহাক লৈখিদবদা লৈহৌরিবা মেনশিনবা ঙম্লরোইদবা অহাঙবা। লোইশিল্লকপদা য়াম্ফুংগী থৱায় মিরেলবু মপুগী নাক্তা লেঙদনা থম্বীবা ওইরসনু।

# ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ২০।০৬।২০২১ ইং, নোংমাইজিং;
ইঙাগী ১০ নি পানবা।

**মেষ:** হকচাং নুংঙাইবা খরা ৱাৎলসু ওইজ-ওইথক ফংগনি, আশা চাওবগীসু কান্নগনি অমদি মরুপকী মতেং লৌবা য়াগনি। য়েক্লবনদি হন্দুনা ঙাংই।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবনা চানবীবৈ নুংঙাই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস।

**বৃষ:** নীংবা মপা চারনি, লৈফম নুংঙাইবা অমদি নক্লবনা তেংবাংবীবা লৈগনি। নখা থাবগী ৱা লৌরবা, চেকশিন্দনা পোরম য়াৎলবা ৱাথোক্কনি।
লৈশা পাখংশিংগী - মীচং লৈরনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

**মিথুন:** হরাওবা নুংঙাইবা, অফবা ৱাখল্লোন পোকপা অমদি থবক্কী লম্‌দা ঈকাই খুম্নবা ফংজবা নুমীৎনি। মহু চাওবনা চাদিং হেলহনবা য়াবা লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশি মরী ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

**কর্কট:** অয়ুক পুং ৮ ফাওবা অফবা খোংশাল লৈ-থবক পাংহৌবা কান্নগনি। মরুপ মপাং অমদি মীয়াম্না য়ানবা চৎত্রদি কাইনবা নংবা য়াবা নুমীৎনি।
লৈশা পাখংশিংগী - ৱারৌনবা লৈরি।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা।

**সিংহ:** মরুপ অমদি অঙম্বনা চানবীবা ৱাৎলি-ফিংগনু। হৈশিংবনা মরু ওইবা থবক পাংবৈ নুংঙাইজবা অমদি অনৌবা আশা লাকপদি লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - লাইবক ফরনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা।

**কন্যা:** অয়ূক্তা লাইবক ফৈ। থেংথরগদি পোরম য়াৎপা হৈবা ৱাৎপনা ওইজবা মাংগনি-হেন্না হোয়া ফগনু। লৌশিং চাওবা মীগী ৱা তাগদবা নুমীৎনি।
লৈশা পাখংশিংগী - মীৱা লৌগনু-ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/য়াইঙং।

**তুলা:** হরাওবা-নুংঙাইবা, মীচং ফংবা, ৱাখল থোকপা অমদি থবক্কী লমদা নুংঙাইবা নুমীৎনি। হুরানবনা/নুংঙাইতবা পাউনা ৱাহনবদি লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশি ৱাখলদা নুংঙাইজে।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

**বৃশ্চিক:** পাঙ্গল ফুদোক্না থৌ পাংবা, য়েক্লববু লাকশিনবা ঙম্বা অমদি অঙম্বনা চানবীবা নুমীৎনি। ৱাঙাংদি হৈবা ৱাৎলি, মৈ/অরং অরাক চেকশিল্লু।
লৈশা পাখংশিংগী - নাপলনা মাঙহনগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

**ধনু:** থবক পাংবা অমদি ওইজ-ওইথক ফংবা নুমীৎনি। তুংগী পোরম য়াৎথোকপদা মায় পাক্কদবা নুমীৎনি। য়েক্লবনা মরুপ শানা লৈ কাউগনু।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংজবা মপা চাই।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

**মকর:** মীপাইরম্বা কোকচগনি অমদি ইমুং মনুং ৱাতান্নবনা থবকসু পাংবা ঙমগনি। নচা ননাইগী লম্‌দা পূক্নিং ৱাবা অমদি ঈরাং পুবা য়াদবদি লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংবা খরদি থুংলনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

**কুম্বা:** মীয়ামগী মতেংনা নুংঙাইজবা অমদি লাই-গুরুগী থৌজাল ফংবসু লৈগনি। নোল্লুক্না চৎত্রদি কায়নবা নংগনি অমদি ৱারেপ লৌবা চেকশিল্লু।
লৈশা পাখংশিংগী - মরী ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা।

**মিন:** অয়ূক্তা হান্নগুম অফবা খোংশাল লৈ। অফবা ফমথোল ফংবগুম ঈকাইখুম্নবা ফংগনি, হায়বা ঙাংবা তাবীগনি। খৎনবা/শোকপা য়াবদৈ চেকশিল্লু।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবনা চানবী।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।




কোভিদ মতমদা দুকান্দা পোৎ লৈবদা থোকপা থৌদোক...
দুকান মপু : করি পীয়ু হায়বনো?
পোৎ লৈবা নুপা : অচাথাউ লিটর অমত্তা পীয়ু।
দুকান মপু : অতৈদি করি-করি পাম্লিবগে?
পোৎ লৈবা নুপা : গভর্ণমেন্ট জোব পীবিরবদি য়াম্না নুংঙাইগনি...!

---

বেঙ্ককী কাউন্টরদা ফম্লিবা কেশিয়র নুপা অদুনা হায়, শেল লৈত্রে।
কষ্টমর : শেল য়াম্না-য়াম্না পীখোদনা নিরভ মোদি অমদি মালয়াদা। হৌজিক্তি নুংঙাইরমনিনে শেলদো লোইনা পুখ্রবনিনা...!!
কেশিয়র : কাউন্টর অদুদগী লাউরকই, বেঙ্কদদি শেল লৈরি। ঐনা হায়বদি নঙগী একাউন্টদা শেল অমত্তা য়াওদ্রে হায়বনি....!!!

---

ট্রেন অমা দিমাপুরদগী হাউরা ফাওবা চৎকদবগী মী কাখৎনরকই। ট্রেন অদুদা মী চিনবনা খোংথাফম ফাওবা লৈত্রে। ফীভম অদু উবদা চাওতোন্না সিট অমা ফংনবা হায়দুনা মহাক্না লাউই, লিন অচৌবা অমা-লিন অচৌবা অমা লৈরে। ট্রেন বোগি অদুদা তোংলম্বা মী পূন্নমক কীদুনা চেম্থোক্লখ্রে।
চাওতোন্না সিট ফজবা অমা খল্লগা ৱাগা ৱারুবগা নুংঙাইনা তুমখ্রে। মীৎকপ থোক্লকপদা চায়-চায় লাউরদুনা চা য়োনবা নুপা অমা লাক্লম্মী। মহাক্না থোংনাউদগী ট্রেন অসিবু কদাইদা য়ৌরবগে-করম্বা ষ্টেসননো?
চায় য়োনবা নুপামচা : ষ্টেসন অসি দিমাপুরনি।
চাওতোন : করিনো হায়রিসিবু ঙরাং নুমীদাং দিমাপুরদগী চৎপা হৌখিবনি।
চায় য়োনবা নুপামচা : চুম্মী দিমাপুরদগী হাউরা চৎকদবা ট্রেননি। অদুবু বোগি অসিদা লিন অচৌবা অমা লৈরে হায়নরকপদগী বোগি অসি লৌথোক্লম্লগা ট্রেন অদু চৎখিবনি ...!!!

---

ইন্টরভিয়ুর : নঙোন্দা রিস্ক টেকিং কেপাসিটি কয়াম লৈবগে?
কেন্দিদেট : সর, ইশ্বরদা ঐনা মথংগী মপোক্তসু হৌজিক ঐনা লৌরিবা নুপী অসিমক ওইনা পীবিয়ু হায়না বোর নিরি ...!!!

---

তোম্বা : ইতাও ঙরাং নুমীদাং কাঙ অমা ঐগী নাকোং ময়াদা পাইরক্তুনা ঙঙলদুনা হায়রম্মী।
মনাও : কাঙ অদুনা ইতাউদা করি হায়রম্লিনো?
তোম্বা : কর্ফিয়ু-লোকদাউন করম কান্দা লোইদৌরিনো হংলম্মী?
মনাও : এ : মাদি অদুদি করিগী হংলিবা?
তোম্বা : কাঙ অদুনা হায়রিবা নঙগী ঈদা অলকোহোলগী চাং য়াম্না নেমখ্রে। অদুনা নঙগী ঈ থকপা তল্লে হায়....!!!

---

নাওচা বেঙ্কতা পৈশা হাপচিনবা চৎলম্মী।
কেশিয়র : নঙগী পৈশাশিং জালি নোট ঙাক্তনি।
নাওচা : মদুদা নঙগী করি মাঙজবা লৈবগে ঐগী একাউন্টদা হাপচবনি ...!!


---

ফেসবুক : ঐ পূন্নমকপু মশক খঙই।
গোগল : ঐগী নাক্তা পোৎশক খুদিংগী দিটেলস লৈ।
ইন্টরনেট : ঐ য়াওদনা নখোয় করিমত্তা তৌবা ঙল্লোই।
চার্জর : তুমিন্না লৈয়ু ...!!


☞ পীরিবা ৱাট্‌সএপ নম্বর ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ অসিদা স্কুলগী মহৈরোয়শিংনা মশানা য়েকচবা ড্রোইং, শৈরেং অমসুং জোক্স থাবিরকউ। থাবিরকপশিং অদুদগী খ্বাইদগী ফজবশিং খনগৎলগা ফোঙজগনি। থাবিরকপদা মীং, লৈফম অমদি ক্লাস য়াওহনবীরকউ।



Title: World Environment Day
By: Charleen Huidrom
Class: I Sec: Red Roll: 8
School: R.K. Sanatombi Devi Vidyalaya



Title: Coronavirus
By: Chelcia Irengbam
Class: I Sec: Green Roll: 14
School: R.K. Sanatombi Devi Vidyalaya



Title: Landscape
By: Chingkheinganbi
Class: V Roll: 24
School: Standard Robarth Higher Sec. School



Title: Candle
By: Masood Ahmed Shah
Class: II Sec: Red Roll: 3
School: R.K. Sanatombi Devi Vidyalaya




Title: Doremon
By: Ningthoujam Deneel
Class: III
School: Imphal Valley School



Title: Two Sides of nature
By: Nonganbi Yendrembam
Class: VII
School: Bethany School Guwahati



Title: Coronavirus
By: R.K. Arjunsana
Class: III Sec: A Roll: 24
School: Bethany School, Guwahati



Title: Scenery
By: Shanatampha
Class: II Sec: Red Roll: 10
School: R.K. Sanatombi Devi Vidyalaya



Title: National Flag
By: Master Robert
Class: KG Roll: 4
School: Christ Jyoti English School

অঙাংশিংগী অয়েকপা লাই হাপ্পীনিংবা মীওইশিংনা অঙাংগী মিং, পাসপোর্ট ফোটো, স্কুল মমিং, ক্লাস, সেক্সন অমদি রোল নম্বরনচিংবগা লোয়নন্না অয়েকপা লাই অদু নীংথিনা ফোটো কাপ্পগা হুইয়েন লানপাউগী ৱাট্‌সএপ নম্বর ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ দা থাবীরকপা য়াগনি।